ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
# হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জন্যুৱারী ২৬, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৯৫শুবা মশীং

## পোপি থাজররোই মতেং পাংবীয়ু হায়রকপা য়াবা ৱাফম্না

লৈবাকসি লৈবাক অমা ওইনবা, ঈংনা-চিক্না, তংদু লৈতানা লৈনবা অমসুং চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক লৈবাকসিদা চৎনগদবা 'কন্সটিট্যুসন' হায়বা'মা শেমদুনা চৎনরক্লি। কন্সটিট্যুসননা পীবা অয়াবদগী মথৌ তাবনি হায়বা এক্ট, রুল অমসুং লো কয়াসু শেমদুনা চৎনরক্লি। হায়রিবশিংসি ঙাক্না অমসুং ইন্দুনা পূম্নমক্না চৎকদবনি। মরমদি লৈরিবা ঙাক্তুনা অমসুং ইন্দুনা চৎকদৌরিবা ময়ামসিবু শেম্বা মীওইশিং ফাওবা এক্ট, রুল অমসুং লোশিং অসিগী মথক্তা লৈতে। শেম-শারিবা মখোয়সু ঙাক্তুনা অমসুং ইন্দুনা চৎকদবনি। মসিবু ভাইওলেট তৌদুনা খোঙ্গাওনরকপশিংগী মথক্তা লৈরিবা লোগী প্রোভিজনশিংদা য়াওবগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাকশিং পীদুনা ফংহনগদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক লৈঙাক্না অকনবা মওংদা চঙ্খরক্লিবা 'ৱার ওন দ্রগস' কেম্প্যেনসিনা চপখাইরকপদা পোপি পাম্বী থারিবা, থারম্বা মীওইশিংনা হায়রিবা পাম্বীসি মখোয়না থাবা লেপ্লগে, তোক্লগে, মখোয়না পাম্বীশিং অসি থাবদগী ফংবা কান্নবা অমসুং শেলশিংদুগী মহুৎ-শিনবা য়াবা থবক অমসুং পাম্বেশিং পীয়ু হায়রক্লিবা অসিবু হায়বা য়াবা ৱাফম্না? তানফম থোকপা দিমান্দলা হায়বনি। মরমদি হৌজিক ষ্টেটসিদা চৎনরক্লিবা নাকোর্টিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী মতুংইন্না ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং শুংবা, শেম শাবা, পুশিল্লকপা, পুথোক-পুশিন তৌবা, লৈবা, য়োনবা, চাবা, থাবা অমসুং থম্বদা অথিংবা পীরি। থবকশিং অসি তৌরম্বদা ফাদুনা ৱায়েল চঙ্খরগা মরালগী মতুং ইনবা অহকপা চৈরাকশিং পীদুনা লাক্লি। মখা তানসু পীখিগদৌরিবনি। অদুগা এক্টসিগী প্রোভিজনশিংনা য়াদবা অরানবা থবকশিং তৌবা মীওইশিংদা চুমদবা অমসুং তৌফম থোক্তবা থবকশিং অসি তৌরনু হায়রবদি তৌররোই। তৌররোইদবনিনা অতোপ্পা পাম্বে পীয়ু হায়রকপা য়াব্রা, য়াগদ্রা? মরমদি অতোপ্পা পাম্বে পীয়ু হায়দুনা তাল্লক্লিবা লৈঙাক্না মখোয়দা লোগী ৱাংমদা লৈবা অরানবা থবকশিংদু তৌ হায়দুনা ইনশিনখিবা অমসুং নমদুনা তৌহনখিবা য়াওব্রা? হিংনবগীদমক্লি হায়দুনা চীংদা লৈবা চীংমী পূম্নমক পোপি পাম্বীশিং লোইনা থারব্রা? পাম্বীসি থাদবা অতোপ্পা মীওইশিংগীদি মখোয়গী হিংনবগী পাম্বেশিং করি করি ওইরমগদগে? দিমান্দ হায়বসিবু মরম চাই খঙদে, চাদে খঙদে, তানফম থোকই-থোক্তেসু খঙদনা হেক্তমক তানবা য়াব্রা? মম্বাইদা খন্থবা চুম্মী, না লাওরিঙৈ, ফি-রোল নীংথিজনা শেৎত্রিঙৈগী হৈনবীদু হৌজিকসু শুম তৌরকপা চুন্লোই।

পোপি পাম্বী থারিবশিংনা পাম্বীসি থাবা তোক্লগে মসিদগী ফংবা শেলগী মহুৎ শিন্নবা থৌরাং লৈঙাক্না পীগদবনি হায়রক্লগদি হেবিচ্যুএল ক্রাইম ওফেন্দরশিং অসিগীসু লৈঙাক্না মহুৎ শিনবা য়াবা থবকশিং পীদুনা তৌহনবা তারক্লিব্রা? মী তোয়না হাৎকনবা মীওইদুসু মহাক্না কম্মিট তৌবা ক্রাইমশিংদুগী পীফম থোকপা চৈরাকশিং পীবগী মহুত্তা মহাক্তি থৱায় পানবশিং হাৎলগা পামজবনি, নুংঙাইজবনি হায়দুনা মীওইবগী মহুৎ শিন্নবনি হায়দুনা শা-ঙা, য়েন-ঙানু ওইনা হাৎলু হায়দুনা খোমজিল্লগা পীবা তারক্লিব্রা? মীহাৎপশিংদা নত্তনা হুরান চিন্থি তৌবা, নুপী অঙাংগী ইকায়খুম্নবশিং মাঙহনবা ক্রিমিনেলশিংদসু মহুৎ শিনবা য়াবা থবকশিং তৌহনবগী ফিভমদা লাক্লব্রা হায়বনি। হোয়, পোপি পাম্বীশিং থারম্বদগী গঞ্জা ওইনা থারগে হায়রকপবুদি নত্তে। অতোপ্পা হিংনবগী পাম্বে পীয়ু হায়রকপনি। অদুবু লোনা য়াদে, তৌরোইদবা থবকনি, থবকসিনা চীংমাইশিং মরূ শিৎ-নান্না কোকথোরকপদগী মহৌশাগী ফীভম কাইহল্লক্তুনা অঙৈং-অশাগী খল ফাওবা কাইথহল্লক্লিবনি। মসিদগী হেন্না শাথীবা অতোপ্পা ক্রাইম অমমুক লৈরমখিগদ্রা হায়বনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীবুদি হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচর লোয়শঙশিংনা এজেন্সী খরগা খূৎশম্নরগা চীংদা মতম মতমগী মতুংইন্না থাবা য়াবা মহে-মরোং মরীক চুম্না পান্দুনা শেন্থোক পীগদবা মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকপা হৌরে। মসি ফাওবদা মরূ-মরাংশিং অসি লৌদুনা থাবগী মহুত্তা পোপি পাম্বীশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন থাবগী মরম্না করিনো? পাঙ্গল ইৱা ৱাদনা শেন্দোং য়াম্না পাম্বদগী নৎত্রা? পোপি থারিবশিংনা মসিগী মহুত্তা অতোপ্পা মরূ মরাং পীয়ু, থাজগে হায়বদা লৈঙাক্না পীরকখিদবা য়াওখ্রবরা? পীয়ু হায়বা য়াওখ্রবরা? লৈঙাক্না ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেন মায় পাকহন্দুনা মণিপুরদগী ময়াই কাবা দ্রগশিং মরূ ফংনা মূত্থৎনবা পোপিগী মহুত্তা অতোপ্পা মরূ-মরাং থাগদবনি হায়বগী ৱানি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা পোপি পাম্বী থারিবশিংদি নময়াদুদা নাপ-নাপ লাওবা লীচৈ মরুনসু শান্থগদবনি, কৈশুমশঙদসু ফাদোক লৈগদবনি হায়বসি কাউগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১) **"অথুইলুগী মঙলান"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **"মসিনা ঐগী সাক্ষীনি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?
৩) **"জয় জয়ন্তী"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) **"মিংশেলদা লৈচিল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৫) **"অঙাংগী লীলা মচা খরা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৮
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা য়াওরিঙৈদা হোজাইদা চৎলুবগী ৱারী মমাঙদা খরা হায়জখ্রে। লীলা তোক্লবা মতুংদা হোজাইদা অমুক চৎপগী তাঞ্জা অমা ফংজখ্রে। হোজাইগা মরী লৈনবা ৱারী অমদা শাগৎপা ফিল্ম অমা ঐনা স্ক্রিন প্লে ইখি, অদুগা ইশামকসু মরু ওইবা রোল অমা কুমখি। ফিল্মদুগী মমিংনা 'নুংশিবী অহিং' হায়না থোল্লি। ফিল্ম অদু হোজাইদা রিলিজ তৌবগী থৌরমদুদনি ঐনা হোজাইদা চৎখিবদু। কাউদ্রি কৃষ্ণ সিনেমা হোল হায়দুনা হোজাইগী বজারদা অমা লৈ মদুদা ফিল্মদু রিলিজ তৌগদবনি। ইম্ফালদগী ঐখোয় ফনা য়াম্না চৎলি। হোজাই য়ৌরে, কয়াম নুংশি, ঐখোয়না হোজাইদা থুংখিবদু অয়ূক পুং ৯ মুক তাবা মতমদনি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, মৈতৈ নুপী ওজা শর্শ্বতি হায়বা অমা লৈরম্মী। সোসল ৱার্করনি মমিং লৈনা হোজাই মৈতৈগী অফবা থবক কয়া লেপ্তুনা তৌবীরম্বা ওজানি। ওজা হোয়না শিন্দুনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীরগা অশাবা চা অমমম অদুগা শঙ্গোম খির ফোং ফোং শাবা খরগা পীজৈ। ওন্থোক্না হাওখ্রে। ঐদি হোজাই য়ৌবদা ইশাসি মথুম মরাং হৌরে। ঐগা থায়না খঙনখিবশিংদু নীংশিং নীংশিংদুনা হংনবদা শুকশংবু শংদ্রে। নুমিৎতুগী অয়ূক্কী চাক্তু ঐ কাউদ্রি, ঐখোয়না থুংলিবদুগী মান্দোপ্তুদা চাই। থুংলবা নুমিৎতুদা চাবদু ঙা য়াওদে, হোজাইগী বামোন যূম্বুদুনা থোংবনি। ইরোনবগদু ঙারি য়াওদনা মোরোক কাহল্লগা লোনবনি। অদুবু ফনা হাওখি। নুংবু নুংশিরদি পংনুংদা নুংশি হায়দুনি।

লৈফম্না হোলদুগা পংলাপ লাপ্নদবা হোটেল অমদা বুক তৌদুনা লৈরম্মী। মদুদা লৈখি। চাক তোক্লবা মতুংদা ঐদি মফমদুগী মী অনী অহুমগা লোয়ননা চৎলে। অহানবদা বির টিকেন্দ্রজিৎকী শক্তম অমা খিল্লিবদুদা চৎতুনা লৈ কৎলুই। মৈতৈ লাইশঙ কয়া অমসু শাগৎলম্মী। মথং মথং চৎতুনা য়েংলুই। মমাঙঙৈ ঐনা উখিবা হোজাইগী মশক ফনা নীংথিজনা হোংলম্মে। য়াম্না হেন্না চাওখৎলম্মে। নুমিৎ তাফুং তাফুং তৌবা ফাওবা কোইনা চৎপনি। অরিবা খঙনবা মীদি কয়া থেংনরক্ত্রে। অরৈবা খরসু মশা মশাগী থবক ইনখাং চখোক্লখিবা য়াও তৌদুনা থেংনদ্রে। অদুবু অনৌ অনৌবা হোজাইগী মফম কয়াদি ঐ চৎলে। ফিল্মদুদি হয়েং রিলিজ তৌগদবনি। ঐখোয় হোটেলদা অমুক হল্লক্লে। ইরুজথোক্লগা নুমিদাংদুমা লৈরে। চাক্তু হোটেলদা শিন্দে। তোঙান্না মফম অমদা ময়ামগী ওইনা পূন্না থোংলগা চাবনি। চারমদাইদুদা হোটেলদগী ময়াম হৌনদুনা চৎলগা চারুবনি। নুংদাংদুমদি ঙাগা থোংদুনা চারে। হল্লক্লগা হোটেলদা অদুম তূমথখ্রে। নোং ঙাল্লকপদদি নোং তাদুনা লৈরম্মে। ফিল্ম রিলিজদু কমাই তৌনি হায়না নুংশা য়াম্না থীখি। অদুবু হোল মনুংদা তৌগদবনিনা কৈসু থোইনা মদুদা অপনবা ওইরোই হায়বদগী ঐখোয়সু লোইশিন্নদুনা অয়ূক্তুদা হোলদা চৎনবা থৌরাং তৌই। নুমিৎতুদা সিনেমা শো অনী কাপকদবনি, অহানবদুমদি ঐখোয় আর্টিষ্টশিংসু য়াওবা অদুগা রিলিসিংগী ফঙ্কসন অমা য়াওবদুনা ঐখোয় ঙন্না চৎপনি। আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা ঐনা নীংশিংবদা, ওজা শ্যামধানি, ওজা লুখোই, তামো কুমারজিৎ, ঐ ইশামক, লৈখিদ্রবী ইচানুপী সীমা, মাগা ঐগা পাবনি ফিল্মদুদা। নুপী অমা অনী অমসু য়াওবনি, অতৈ কনা কনানো লোইনা নীংশিংদ্রে।

ফঙ্কসনদু হৌরে। সিনেমা হোলদু মীনা পীক থনবনি। য়ামখ্রবা মীনি। কৃষ্ণ সিনেমা হোলদু পংপীক পীকপা নত্তে। কা হেন্না চাওবসু নত্তে। হিন্দি ফিল্ম ঙাক্তা কাপ্পা মমিং চৎপা হোজাইগী হোলনি। মীতৈলোনগী সিনেমা অহানবা ওইনা মফমদুদা কাপকদৌরিবনি। সিট ৮০০ মুক খরা হেন্না থাই হায়ব্রা কৈনো হায়বনি। ফঙ্কসনদু লোইরগা সিনেমা হৌরে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ঐনা মপূং ওইবা রোল লৌরিবা কেরেক্টর (ওজা শ্যামধানিনা শাবা) লিটরেচরদা ঙাওজবা অদুগা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী হোংলক্লিবা মশক অসিবু মুন্না য়েংদুনা অফবা মরম অমদা পুথোক্লবা হোৎনবা পুকচেল চাওবা মীশক অমনি। মাগী অমত্তা পোকচবা মচানুপা অমা শাবনি। ইঞ্জিনিয়রনি, অদুবু মাগী নুপী (সীমা) থিখিবদগী ইমুংদুগা মরী ফৎনরক্তবা, মপা অহল অদু ফাওবা থীনা তৌরকপগী ৱারী মতা অমনি। শম্না ঐসি নুপীনা লৈখিবা ইঞ্জিনিয়রঅমা শারিবনি। কয়াম শাথীবগে হায়ববু মাগী নুপীনা থবক চখোকপদা ইল্লুবা ফি ফাওবা ইঞ্জিনিয়র শারিবা ঐনা থুপ্পা সিনগকা য়াওবনি। ৱারীদুদা হিরো শারিবদুনা কাইকুনি। মহাক হোজাইদগী লাক্লগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোনদা পি ঐচ দি তৌবা ষ্টুদেন্টনি। অদুবু লায়রবা মচা অমা ওইবনা মীগী থবক শুবা, জুগালি ওইদুনা ৱানা শেল তাল্লগা ভরাদা লৈদুনা লাইরিক তমজবনি। অদুবু অহল অদুগী মনাক্তা লাক্তুনা শৈরেংগী মণিপুরী লিটরেচরগী ৱা তান্নবা, মাবু গাইদ তৌবীবদুদা মচাদা মচাদৌনা লুনা চান্না তৌজৈ। অহল অদুবুসু মপামকনি খঞ্জৈ। যূমদা লৈবা নুংঙাইত্রবদুদা হোজাই তান্না লাক্লগা মাগী ছাত্রদুগী যূমদা থুংলবনি। অমরোমদা কাইকুনা মানা যূম শারিবা ইমুংদুগী মচানুপীদুনা পামজদুনা নমচেন চেল্লগা ওজা অহলদুনা লুহোংখিবনি। মদুগী যূমদা লাকপদগী পুন্সিগী অশেংবা মশক অমা ফংলকপগী নুংশিরবা ৱারী অমনি। অদুবু ওদিএন্সশিং অদুনদি সীমাগা ঐগগী সিনশিংদুদা ওন্থোক্না নুংশিখিদ্রবা জাৎনি। সিনেমা য়েংলিঙৈদুদগী হৌরবনি চৈবা থাংবগা লোয়ননা লাউবা। হোজাইগী সিন য়াওরকপা, হোজাইগী মীশিংনগা ফিল্মদুদা থোরকপদা ইচিন থী হায়নি ওদিএন্স ময়ামদুনা য়া য়া লাউদুনা খূবাক খুখ্রিবা নুংঙাইখ্রিবসিদি ঐনা তম্বদা থোক্লরোই।

সিনেমাদু লোইরে, শরুক য়াবা ঐখোয় আর্টিষ্টশিং খরদু মরী মরী হোল মনুংদগী থোরক্লে। নোংদুসু কন্না মপান্দা চুদুনা লৈরম্মী। অদুনা মী ময়ামদু ছাতিন য়াওরকপা খরদি খন খন্দুনা চেন্থোক্লখ্রে। অয়াম্বদি সিনেমা হোলগী ভেরেন্দাদুদা পৈখৈ লৈরে। অদুগা মথংগী শো য়েংনবগী মী ময়াম অমসু লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবনি। চিনখ্রবা মতমদুদা ঐখোয় আর্টিষ্টশিংনা থোরকপদা ঐগা সীমাগসি থীনা হেক্তা চৈখ্রজাৎনি। মদুদা ময়ামদুনা ৱা ৱা নোকপসু য়াওরি। থৌওইনা শাওদুনা তিংখৎতনা চৈবসু য়াওরি। ঐখোয়দি গাড়ীদা তোংলগা চৎখিদুইনিনা, অচিনবা মীরক্তু খাইরগা ৱানা থোরক্লে। ঐখোয়বুদি অদুম চৈহৌরি। ঐখোয় হোটেল য়ৌরে, অদুগা চাক ঈশিং চানবা থৌরাং তৌখি।

ঙসিগী ঐগী ৱারীসি, শুমাং লীলাগদি খরা থৈনরে। শুমাং লীলাগা মরী লৈননা হোজাইগী ৱারী নীংশিংলিঙৈদা ফৈজেননা ঐগী নীংশিংবগী থোঙনাও হাংলুবদা লিৎশিল্লকপা ৱারীনি। মসিসু ঐগী পুন্সিগী অনৌবা অমদি অচৌবা থৌদোক অমনি খঞ্জদুনা ময়ামদা ৱারী ওইনা লীজবনি, ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি। হায়রিঙৈসিদা ৱাফম মচা অমত্তগা পঞ্জহৌগে। হায়রিবা নুংশিবী অহিং হায়বা ফিল্ম অসি হোজাইদা শুটিং তৌবা অহানবা চৎপগী হল্লকপা লম্বীদা আর্টিষ্টশিং অমদি ক্রু মেম্বরশিং তোংবা গাড়ীদু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা য়াম্না খুদোংথীবা অমসু তাখিবনি। মদুদা ফনা নীংথিজনা অশোক অপন নংনখি। অদুবু লাইবক ফবদি শিবমক্তি অমত্তা য়াওখিদে। অদুনা ফিল্মসিগী হৌরকপদা ওন্থোক্না অৱাবা অমা থেংনখি। ঐ ইশামক্তি শুটিং অদুদা য়াওখিদে। অদুবু হয়েং চৎকনি হায়বদুগী ঙসি নুংথিল ফাওবদা হোজাইদা নম্লুগদবা সিনশিং অদু ঐ ইবা লোইদদুনা য়াম্না ৱাখি। উচিন নাচিন্না মরক্তা য়াওগদবা সিনশিংদি লোইনা ইবা লোইখ্রবনি। মরক মরক্তা হাপকদবা খরদি ইদ্রিবনি। অদুগী কন্না পাকথদুনা ইরগা অমুক পাউনা কৈথেলদা লাক্লগা গভর্ণর রোদতা লৈবা আর কে প্রিন্টরসতা কম্প্যুটরদা অমুক ঐগী খূৎইশিংদু নমথোক্লবা হোৎনবদা পুং ফনা থেংখি। নুমিদাং পুং ৭কী অদুৱাইদা লোইদুনা অমুক হয়েং চৎকদবশিংদুদা পীদুনা শুটিং চৎখিবদু, হল্লকপদা এক্সিদেন্ট থোক্লে তাবদা অসুক্কী মতিক থৱায় ৱাখি। অদুবু কা হেন্না অশোয় অঙাম য়াওদবদুদা খরা শাফখি। অসুম্না হোজাইগী ৱারীসিদা মসিমসু নীংশিংলক্তুনা ময়ামদা খরা লৈরগদি শোয়দনা কাউথোকখ্রগনি খন্দুনা থমজহৌবনি।

মদুগী মখা তাবদা ঐ হৌজিক ফাওবদি হোজাইদা চৎলুদ্রি। চৎনবগী তাঞ্জাদি য়াম্না ফংখ্রে। হোজাইদা পাঙথোকপা মৈতৈ ফেষ্টিবেল খরদা শরুক য়ানবগী অদুবু ঐগী ওইবা হান্নগী অরুবা থৌরমশিং খরা লৈবনা শরুক য়াবদি ঙমখিদে। শোয়দনা অমুক্তংদি হোজাইদা চৎখিগে হায়না কন্না নীংজরি। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ৩

– ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার –

ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলদা থেংনরকপা থৌদোকশিংগী ৱারী মখা তাদ্রিঙৈ ঐহাক্কী পুন্সি ৱারীবু পাবীরিবা ইরৈচা খুদিংমকপু ২০২৩ চাইনিজ হেপি ন্যু য়রনা লাকপদা নুংঙাই পাউজেল পীজরি। হৌখ্রবা চহী ২৫ চূপ্পা চাইনিজশিংগী অনৌবা চহী হৌবগী থৌরম য়াওদুনা লাকপগুম হন্দক চহীসু ঐখোয় ঐহাক্কী লোয়নবী চেন নান টাই, ইচা অতোনবী বেম অমদি ইচা অতোনবা বুং ঐখোয় মরি পূন্না কোইথোকপা চৎলুই টাইৱানগী ময়ায় ওইবা শরুক্তা লৈবা Nantou County দা লৈবা সন মুন লেকতা। য়াম্না নীংথিজবা মফমনি। ইচা চে চেদি মবোক শংবীনবা লৈহৌবনা য়াওদ্রে হন্দক্কী কোইবগী খোঙচৎসে। অদুগা ইচা ননাওসু মখোয়গী মিলিটরিগী শিন্থা লেপ্পা য়াদবনা য়াওদ্রে মহাকসু।

অসুম্না চহী ২৫ হেন্না টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা পুন্সিগী ঈচেলদা ঐহাক্কী পুন্সিগী হিনাও অসুম তাওথরকপনা তিল্লকখি চাইনিজ হায়বা কাঙলূপ অসিগী নাৎকী ঈপাক্তা। পুন্সিগী ঈচেলদা ঐখোয়না থেংনরিবসি মীওই খক্তদি নত্তেকো। মীওইবগী মথক্তা থেংনরিবা লমদম অদুগী ঈশিং নুংশিৎ, লমদম অদুগী লোল, নাৎ, চৎনবী, হৌন লোনচৎনচিংবা। অপিকপা কংলৈপাক/মণিপুর কৌবা অসিগুম্বা লমদম অমগী পীল্লবা ইনাৎ অমদগী হৌরকখিবা ঐহাক ঙসিদি তিল্লে মালেমগী খ্বাইদগী মীশিং য়াল্লবা, চহী খরগী মনুংদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক (সুপর পাৱর) ওইগদৌরবা চাইনা হায়রিবা লৈবাক অসিগী নাৎকী ঈপাক্তা। টাইৱান্দা লৈরিবা মীওইশিংসি চাম্মদা মরিফুতরা তরেৎতি (৯৭%) মতম অমদা চাইনাদগী লাকখিবা চাইনিজশিংগী মচা মশু ঙাক্তনি। মরম অসিনা চাইনিজ লোল, নাৎ অমদি চৎনবী কয়া অমা ম্যেনলেন্দ চাইনাদগী হেন্না নীংথিজনা ইন্দুনা লাক্লি। হৌরকফম চাইনাদি চাইনিজ লাইনীং লাইশোল অমদি নাৎকী চৎনবী কয়া মুৎকে তৌরুরে চ্যেমেন মাওগী কম্যুনিষ্ট সোভিএট য়ুনিয়নগী কম্যুনিষ্টকী ৱাখল্লোলবু চাইনা পূম্বদা শন্দোক্লুবা হোৎনবদা। অদুম ওইনমক দেমোক্রেসি চৎপা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদদি চাইনিজশিংগী হৌরকফমগী ওইবা মরোল, নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলনচিংবা অসি ঙসি ফাওবা ইন্দুনা, চৎতুনা লাক্লি।



অসুম্না ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলনা থুংলু থুংলুবা তোর্বান্দা মীওই কয়া থেংনদুনা লাকপগুম তোঙান তোঙানবা লোল, লাইনীং-লাইশোল, নাৎ, চাকচা য়ুথক অমদি হৌন লোনচৎনচিংবা কয়াসু থেংনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। ইন্দিয়াগী মীওই দেল্লীদা চহী নিপাল হেন্না অৱাংবা থাক্কী মহৈ তল্লিঙৈ, ইন্দিয়াগী সিটি কয়াদা অমদি তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোইনা চৎলু য়ৌরুদুনা, থেংনরুদুনা অমদি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা তিন্দুনা লাকপনা থেংনরুই তোঙান তোঙানবা লোল কয়া, লাইনীং লাইশোল কয়া, নাৎ কয়া অমদি চৎনবী কয়া।

অসুম্না নোংম-নোংমা, চয়োল চয়োল, থা কয়া, চহী কয়া অসুম হৌখিবনা ঙসিদি চহী ২৫ হেনজিল্লক্লে চাইনিজশিংগী নাৎকী ঈপাক্তা তিন্দুনা চাইনিজশিংগী অনৌবা চহী হৌবগী নুংঙাইবা পাঙথোকপা নুমিৎ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকপা। চুম্নগী সুম শরুক য়াবতা নত্তনা ঐহাক্কী লোয়নবীনা চাইনিজ নিংঙোল ওইবনা ঐখোয়গী ইয়ুমমক্তদসু চাইনিজ নাৎকী ওইবা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

চাইনিজশিংগী অনৌবা চহী লাকপগী নুংঙাইবা থৌরম পাঙথোকপসি চয়োল অমদগীনা অনী ফাওবা পাঙথোক্নে। টাইৱান্দদি করিগুম্বদা চয়োল অমা পাঙথোকই অদুগা করিগুম্বা মতমদনা চয়োল অমদগী হেন্না নুমিৎ ৯/১০নি পাঙথোকপসু য়াওই। মমাঙঙৈ নহা ওইরিঙৈ, ইচাশিংনা নৌরিঙৈ মতমদদি ঐহাকসু চহী খুদিংগী কোইবা চৎলি। চহী অনীমদি নুমিৎ ১১নি অমদি নুমিৎ ৯নি চঙনা টাইৱানগী মফম অয়াম্বদা কোয়বা চৎখি ঐহাক্না কোইনা কার থৌদুনা। মতমদুদা নহা ওইবতা নত্তনা টাইৱানগী শেন্মীৎলোন য়াম্না ফরিবনা চহী লোইশিল্লকপগী য়রএন্দ বোনস ৱাংনসু ফংবনা কোইনীংবসু হেল্লি। ঙসিদি য়রএন্দ বোনসসু য়াম্না ফংদবগা অহলসু ওইশিল্লকপগা শেল য়াম্না তিংনা নুমিৎ কয়ানি কোইথোকপসু পামদ্রে হায়বা তারে।

অহল ওইগেরা, য়রএন্দ বোনস নেমগেরা, চয়োল অমা হেন্না মহৈশঙশিং অমদি ওফিস থোং লোন্দুনা শিন্থা লেপ্পনা মীপূম খুদিংমক হরাওনৈ, নুংঙাইনৈ। থা খুদিং চহী চূপ্পা থবক কন্না শুরুরবা মতুংদা অসুম্না নুমিৎ কয়ানি শিন্থা লেপ্পদি মীপূম খুদিংমক হরাও নুংঙাইনা কোইথোক্নে। শেল হেন্না পায়বা ইমুংশিংদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লোইনা চৎনৈ কোইবা। মেনলেন্দ চাইনিজশিংনি খ্বাইদগী হেন্না অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা কোইবা চৎপসি মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফবনা। মতম অমদা টাইৱাননা মেনলেন্দ চাইনাদগী শেন্মীৎলোন ফবা হেল্লম্বনি অদুবু ঙসিদি চাইনানা টাইৱান্দগী শরুক অনী হেন্না ৱাংখ্রে। অদুম ওইনমক টাইৱানগী ইমুং কয়া অমা জপান, কোরিয়া, হোং কোং, সিঙ্গাপোর, থাইলেন্দ, মলেসিয়া অমদি য়ু এস এনচিংবা লৈবাকশিংদা কোইবা চৎনৈ নুমিৎ শাংনা শিন্থা লেপ্পনীনা।

অসিগুম্বা চাইনিজশিংগী অনৌবা চহী লাকপগী হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকপদা নীংশিংলকই ইরমদমগী অনৌবা চহী হৌবগী নুমিৎ, থৌরম। মালেমদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা (১.৫ বিলিয়ন) চাইনাদা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক লোইনা পুনশিন্দুনা চপ মান্ননা পুন্না পাঙথোকই, পূন্না হরাও নুংঙাইমিন্নৈ। অদুবু ঐখোয়গীদি কদাই। মীওই মিলিয়ন ১.৫ (লাখ ১৫) মুক লৈবা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদদি ঐখোয়গী চহী হৌবা মপূং ফানা নুংঙাইনা পাঙথোকপা ঙমদে নোংমখক পাঙথোকপনা। নোংমখক শিন্থা লেপ্তুনা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকপা অসিসু চপ মান্নবা নুমিৎ অমদা পূন্না পাঙথোকপা ঙমদে, নুমিৎ অনী অহুম থোক্না পাঙথোক্নরি। কাঙবু অমনা থা অমদা তৌই, কাঙবু অমনা অতোপ্পা থা অমদা অমুক পাঙথোকই, অদুগা খরা অমনা অতোপ্পা থা অমদনি হায়না য়েৎনরি।

মীরমদা লৈদুনা মীগী পুনশিনবা অমদি পূন্না চৎমিন্নবা অমদি নুমিৎ কয়ানি শিন্থা লেপ্তুনা মশাগী নাৎপু অসুক্কী মতিক শৌগৎতুনা চাওথোকচনা হরাও নুংঙাই পাঙথোক্লি। অদুগা ঐখোয়গীনা ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা চৈরাওবা অসিবু নুমিৎ খরনি শিন্থা লেপ্তুনা নেনা তানা ঈংনা তপ্না হরাও নুংঙাইনা পাঙথোকপগী মহুত্তা অতোপ্পগী নাৎতা যূম্ফম ওইবা থৌরমবুদি নুমিৎ হুমনি মরিনি শিন্থাকা লেপ্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি ঙসি ফাওবা। ঐখোয়সি মীৎ পাংনা পাংনা উদবগুম, না তানা তানা তাদবগুম হিংলি ঙসিসু। ঐখোয়সিবু ইশাগী হৌরকফমদা, ইশাগী ইরোলদা, ইশাগী লাইনীং লাইশোলদা, ইশাগী ইনাৎ চাওখৎচবা হৈতবা, ঙমদবা কাঙলূপ হায়বদু ওইরবজাৎলা হায়না হেক হেক হংদবা ঙমদেদো থম্মোয়সিদা।

টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা চহী ২৫ হেন্না চাইনিজশিংগী নাৎকী ঈপাক্তা তিন্দুনা লাক্লবসু, চাইনিজ নিংঙোলবু পুন্সিগী লোইনবী ওইনা যূম্বাল লম্বীদা চঙদুনা চাইনিজশিংগী লোল, চিঞ্জাক, চৎনবী কয়াদা তিন্দুনা লাক্লবসু, মখোয়গী নাৎপু ইকায় খুম্নবা উৎলবসু ঐহাক্কী ওইনদি ঐহাক চাইনিজ অমনি হায়না লৌজদে, ঐহাক মীতৈ অমা ওইনা অদুম লৈজরি। লোয়ননা ইশাগী হৌরকফম, লোল, ইনাৎ ঙসিসু য়াম্না নুংশিনা, চাওথোকচনা নীংশিংজরি, ইন্দুনা চৎচরি। ঐহাক্কী হৌরকফম্বু কাউথোক্তুনা, ৱাজরবী কংলৈ ইমাবু মীরাইদুনা অতোপ্পগী ইনাকখুনবী মমাদা ইমানি হায়না খন্দুনা অপোকপী পলেম-কংলৈ ইমাবু থৌওইদবা অমদি কাউথোকপদি ঐহাক খক ঙমজরোই ঐহাক্কী থম্মোয়না, পুন্সিনা। হৌরকফমগীদমক, ইনাৎকীদমক চাওথোকচবনা য়াইফরে। ●